# সোমালিয়াগী খ্বাইদগী শাথীবা বোমগী এটেকতা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রে, গ্রুপ অমৎতনা ক্লেম তৌরক্ত্রি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা বোম অনী পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা এটেকতা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। চহী ১০ মুকসিগী মনুংদা থোক্লিবা সোমালিয়াগী খ্বাইদগী শাথীবা এটেক অদুগী মতুং তাবদা লোকেল মীয়াম্না হোস্পিটালশিংদা থোমজিন্দুনা মরুপ-মপাংশিং অমসুং মরী-মতাশিং থিনখি হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী অহিংদা মোগাদিসুগী ময়াই চবুক্তা লৈবা মী চিনবা জঙ্কসন অনীদা থোকখিবা ব্লাষ্টশিংদুদা শিখিবা মী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখি। নিংথৌকাবগী অয়ুক ফাওবদা এটেক অদু ওর্গনাইজেসন অমৎতনা ক্লেম তৌরকখিদে।

‘বোমিং এটেক অদুদা মীওই ৩০০ শিরে হায়বসি ঐখোয়না কনফার্ম তৌরে। মী খরসু থিবা ফংদবনা অশিবশিংগী মশিং খরগসু হেনগৎলকপা য়াই হায়না সিটি এম্বুলেন্স সর্ভিসকী ডিরেক্টর অবদিকাদির অবদিরাহমননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

সিটিগী মাদিনা হোস্পিটালদা লৈবা ডোক্টর অদেন নুরনা হায়খি, মখোয়না অশিবা ২৫৮ রেকোর্দ তৌরে। অমুকসু অহমদ অলি কৌবা মনাক নকপা ওসমান ফিকি হোস্পিটালগী নর্স অমনা অশিবা হকচাং মঙা হোস্পিটাল অদুদা পুখৎলক্লে হায়না রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

নুরনা হায়খি মদুদি অশিবা হকচাংশিংদুগী মনুংদা ১৬০ দি মশক খঙবা ঙমদ্রি। মখোয় ঙরাং গভর্নমেন্টনা লৈরোল চনখি। অতৈদুনা মখোয়গী মরী-মতাশিংনা লৈরোল চনখি। হোস্পিটাল অসিদা অশোকপা ১০০ হেনবসু পুখৎলকখি হায়না মহাক্না হোস্পিটাল অদুদা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

অশোকপা খরদি ট্রিটমেন্ট তৌনবা টর্কিদা প্লেনদা পুখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। অশোকপশিং য়েংবা লাকপা নৎত্রগা অশিবা হকচাংশিং লৌবা লাকপা লোকেল মীয়াম্না মাদিনা হোস্পিটালগী মচি-মরুম পুন্নমক থনখি। ‘ঐহাক্না ঐহাক্কী ইবুংগা ইকোন কোন্না ৱারী শানখিবসি ব্লাষ্ট অদু থোক্কদবা মিনিট খরখক্কী মমাঙদনি। মতমদুদা মহাক্না ঐঙোন্দা মহাক লম্বীদা লাক্লি অমসুং কে ৫ ফাওরি হায়রকখি হায়না হলিনা নুর কৌবা লোকেল নুপী অমনা রোইটর্জদা এটেক চত্থখিবা জঙ্কসনশিংদুগী মনুংদা অমবু পল্লদুনা হায়খি।

‘মহাক ঙরাং গভর্নমেন্টনা ফুমখিবা মশক খঙদনা কাথেল্লবা হকচাংশিংদুগী মরক্তা য়াওরমগদ্রা হায়না ঐঙোন্দা চিংনৈ। মহাক হিংনা নৎত্রগা শিনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক য়ূমদা হনবদি য়াদ্রি।’

থাংজ নুমিৎকী বোমগী এটেকশিং অদু কুমজা ২০০৭ তা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ অল-সাবাবনা লালহৌবগী ঈরাং হৌখিবদগী খ্বাইদগী শাথীবা এটেকনি হায়না লৌনরি। গ্রুপ অসিনা নৎত্রগা অতোপ্পা গ্রুপ অমৎতনা এটেকশিংদু মখোয়গী খূৎনি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং অল-কাইদাগা মীচং ওইনবা অল-সাবাবনা কেপিটেল অমসুং সোমালিয়াগী অতৈ মফমশিংদা মমাঙদা বোমিং এটেক কয়া তোইনা চত্থখিবা লৈখ্রে।

# ‘চাইনা, ইন্দিয়ানা রোহিংয়া ক্রাইসিসস সোল্ভ তৌবদা মতেং পাংবা ঙমই’

বৈজিং, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারগী ঈরাং লৈবা রখাইন ষ্টেটতা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং কয়া পীদুনা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা রোহিংয়া ক্রাইসিসস সোল্ভ তৌনবা হোৎনবশিং পূন্না লমজিংমিন্নবা য়াই হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা মীদিয়াগী আর্টিকল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিং অমসুং ন্যু দিল্লিনা ম্যান্মারগা হীরম কয়াদা স্যের তৌমিন্নবগী ফিভম য়েংলগা লৈবাক অনীনা রখাইন ষ্টেটতা তেংবাং কয়া পীবদা, রেফ্যুজীশিংবু নৌনা খুন্দাহন্নবা বাংলাদেশপু মতেং পাংবদা অমসুং ম্যান্মারগা শেল-থুমগী কোওপরেসন হেনগৎহনবদা মতেং পাংনদুনা পূন্না হোৎনমিন্নবা য়াই হায়না গ্লোবল টাইমসকী আর্টিকল অমনা হায়খি।

‘বাংলাদেশ-চাইনা-ইন্দিয়া-ম্যান্মার ইকনোমিক কোরিদোর য়াওনা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা ট্রেদ অমসুং ইনভেষ্টমেন্টশিং পূন্না চাওখৎহনবা য়াগনি।’

রোহিংয়া লালহৌবশিংনা ওগষ্ট ২৫ দা গভর্নমেন্টকী সিক্যুরিটি পোষ্ট কয়াদা এটেক অমা চত্থখিবা মতুং ম্যান্মার আর্মিনা রখাইন ষ্টেটকী অৱাং থংবা শরুক্তা অকনবা ওফেন্সিভ অমা হৌখিবদগী য়ূমলোন্নবা বাংলাদেশতা রোহিংয়াশিং চেনশিন্নখি।

ম্যান্মারগা য়ূমলোন্নবশিং ওইনা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা টেররিষ্টকী ঈরাং চঙলকপা পামদে। চৈরকসিদা লৈবাক অনীমক রখাইনগী কাঙলূপকী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী কনফ্লিক্টকী মরমদা মুন্না খঙবগা লোয়ননা অসিগুম্বা অরুবা ৱাফম অমা গভর্নমেন্টনা সোল্ভ তৌবদা মতম শাংনা চঙগনি হায়বসিসু খঙই হায়না আর্টিকল অদুনা হায়খি।

শেল-থুমগী ৱাফমগী মতাংদা লৈবাক অনীনা কোওপরেসন পীননবগী অহেনবা মরমশিং লৈ। চহী অসিগী জান্যুৱারিদা চাইনানা ম্যান্মারদা ইনভেষ্ট তৌবগী চাং দোলর বিলিয়ন ১৮,৫৩ য়ৌখি অমসুং লৈবাক অসিনা ম্যান্মারগী চাওখৎ থৌরাংদা তোপ তোপ্পা থৌদাং অমা লৌরি।

‘ৱাথোক অদুগী মতাংদা বৈজিংনা করিমতা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকপা য়ারোই। ইন্দিয়াগী ইন্টরেষ্টশিংসু সাউথ এসিয়া অমসুং সাউথইষ্ট এসিয়াগী মরক্তা থোং অমগা পাংখক ওইনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী (ম্যান্মারগী) ইং-চিকপা অমসুং মরা চেৎপা ফিভমদগী তোখায়না লৈবা য়ারোই হায়না আর্টিকল অদু পনখি।

ন্যু দিল্লিগী নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেটশিংনা সাউথইষ্ট এসিয়াদা য়ৌশিন্নবগী চঙফম লম্বী ওইরিবা ম্যান্মার অসি ইন্দিয়াদা মরুওইবা লৈবাক অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা থাদা ম্যান্মারদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা নাকল অনীনা ইকনোমিক, ট্রেদ, ডিফেন্স, ইনর্জি অমসুং ষ্ট্রেটিজিক এগ্রীমেন্ট পরিং অমা সাইন তৌনখি।





# কির্কুক : ইরাকি ফোর্সশিংনা কর্দশিংদগী মরুওইবা মফম কয়া খুদুম চনখ্রে

বাঘদাদ, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
ইরাকি গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিংনা কর্দিশ ফাইটরশিংদগী য়েৎনরিবা কির্কুক সিটি লৌশিনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী য়ুনিটশিংনা কে ১ মিলিটরি বেজ, বাবা গুরগুর এন্দ গ্যেস ফিল্ড অমসুং ষ্টেটনা পায়বা ওইল কম্পনিগী ওফিসশিং কন্ট্রোল তৌরে।

বাঘদাদনা হায়খি, পেশমর্গা কাঙবুশিং লান অমৎতা শোক্লন্দনা ৱিথদ্রো তৌখ্রে, তৌইগুম্বসুং কির্কুককী খা থংবা শরুক্তগী লানগী পাউদ্দমশিং ফংখি।

ওপরেসন অদু কর্দিষ্টান রিজননা ৱাথোক ওইখিবা নীংতম্বগী রেফরেন্দম অমা পাঙথোকখিবা মতুং থা অমা লৈরগা হৌখিবনি।

অয়াম্বা কর্দিশ মীয়াম্না তোঙান তাবগী ৱাফম শৌগৎনখিবা ভোট অদু লোগী মায়োক্তনি হায়না ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ফোঙদোকখি অমসুং মদুবু চৎনহন্দনবা ডিমান্দ তৌখি।

আরবনা লূচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ন-মেন্টনা ফোঙদোকখি মদুদি, বেজ কয়া অমসুং গভর্নমেন্ট ফেসিলিটিশিং সিক্যুঅর ওইনবা অমসুং কির্কুককী আরবশিং, কর্দশিং, টর্কমেনশিং অমসুং ক্রিষ্টিয়নশিংগী পুন্সি অমসুং ইন্টরেষ্টশিং ঙাক শেন্নবগীদমক ওপরেসন অদু হৌখিবনি।

কির্কুক সিটিগী অৱাং-নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ৫ (মাইল ৩) লোম চৎলগা লৈবা কে ১ বেজদা এলিট য়ুনিটশিং নৌনা ডিপ্লোই তৌখ্রে অমসুং অতৈ ট্রুপশিংনা মনাক নকপা লেলন এরিয়া, বাবা গুরগুর ওইল ফিল্ড অমসুং নোর্থ ওইল কম্পনিগী হেদক্বার্টর্স কন্ট্রোল তৌশিনখ্রে হায়না নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা ইরাকি মিলিটরিনা লাউথোকখি।

ট্রুপশিংনা মিলিটরি এয়রপোর্ট ১, পুলিস ষ্টেসন ১, পাৱর প্লান্ট ১ অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী এরিয়া কয়া লোয়ননা মরুওইবা থোংশিং, লম্বীশিং, জঙ্কসনশিংসু কন্ট্রোল তৌরে হায়নসু মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা কর্দিষ্টান রিজন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা বাঘদাদপু কাইহৌবা তৌদনা লান্দারকই হায়না মরাল শীখ্রে অমসুং পেশমর্গানা কর্দিষ্টান, মসিগী মীয়াম অমসুং অনীংবা অপাম্বশিং মখা তানা কন্নবা হোৎনগনি হায়খ্রে।



# মাল্টাগী ব্লোগর কার বোম এটেকতা শিরে

*ভালেটা, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :*
*মাল্টাগী মশক নাইবা ব্লোগর নুপী অমা কার বোম এটেক অমদা শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। ব্লোগর অদুনা ঈথৎ অসিগী গভর্নমেন্টবু শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী মরাল শীখি হায়রি।*

*দাফনে কারুৱানা গালিজা কৌবা মশাগী চহী ৫৩ শুরবী নুপী অদু মোষ্টাগা নক্নবা বিদনিজাদা লৈবা মহাক্কী ময়ূম থাদোকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদবীদা মহাক্না থৌরিবা কারদু পোকখায়রকপদা শিখিবনি।*

*লোকেল মীদিয়াগী মতুং ইন্না, মহাক্কী মচানুপাশিংগী মনুংদগী অমা বোম পোকখায়বগী মখোলদু তাবদগী ময়ূমদগী চেন্থোরক্লগা য়েংনবা হোৎনখি। চহী অসিগী অঙনবদা কারুৱানা গালিজিয়ানা অরান-অহুই তৌখিবগী মরাল শীখিবা প্রাইম মিনিষ্টর জোসেফ মুস্কাটনা ‘মীনুংশি লৈতবা মওংগী এটেক’ অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।*

*পোলিটিকেল অমসুং লন্নাই অনীমক্কী ওইনা বারুৱানা গালিজিয়া অসি ঐহাক্কী অকনবা ক্রিটিক অমনি হায়বসি মীপূম খূদিংমক্না খঙনৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।*

*অসিগুম্বা এক্সনবু চুমই হায়বা য়াবা মরম অমৎতা পীবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মুস্কাটনা হায়খি, মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা অচুম্বা থিদোক্তুনা ৱায়েল চত্থদ্রিফাওবা ঐহাক তুমিন্না লৈথোক্লোই।*

# ভেনিজ্যুএলাগী রুলিং সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনা গভর্নরগী সীট অয়াম্বা ফংখ্রে

করাকস, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
অচৌবা মায় পাকপা অমদা গভর্নমেন্ট পায়রিবা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনা ষ্টেট গভর্নরসিপ ২৩ গী মনুংদা ১৭ ফংখ্রে হায়না ভেনিজ্যুএলাগী ইলেক্টরেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা মদুবু চাভিসমোগী অচৌবা মায় পাকপনি হায়না শীংথাখ্রে। চাভিস অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট হুগো চাভেজগী মমিং লৌদুনা থোনবা মহাক্কী পার্টিগী সোসিএলিজম মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন লীদরশিংনদি মীখলদা অরান-অহুইগী থৌদৌ কয়া চত্থখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন রাউন্দটেবল কোলিসননা রিজল্ট অদু শকখঙউ হায়বা য়াখিদে অমসুং মপূং ওইবা ওদিট অমা পাঙথোক্লবা ডিমান্দ তৌখ্রে হায়না কেম্পেইনগী ডিরেক্টর গেরাদো ব্লাইদিনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, আর্মিগী শেমজিন-শাজিনবা ৱারীসি ভেনিজ্যুএলানশিংনসু য়ারোই মালেমনসু য়ারোই।

রিজল্টশিং অদু নেস্নেল ইলেক্টরেল কাউন্সিল (সী এন ঈ) গী প্রসিদেন্ট টিবিসে লুসেনানা লাউথোকখি। কাউন্সিল অসি গভর্নমেন্টকী লেয়েলিষ্টশিংনা ডোমিনেট তৌবগা লোয়ননা ওপোজিসননা গভর্নমেন্ট শৌগৎলি হায়না মরাল শিখি।

# ব্রেক্সিটকী ৱারী মখা চত্থবা য়ানবা বৃটিশ পি এম ব্রসেলজতা চৎলগনি

ব্রসেলজ, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
ব্রেক্সিটকী ৱারী শানবদা লৈখাই তানবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে নিংথৌকাবা নুমিৎতা ব্রসেলজদা চৎলগনি।

ব্রসেলজকী খোঙচৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন চীফ জন-ক্লোদ জঙ্করগা দিন্নর অমগা লোয়ননা মীফম চত্থগনি। ৱারী শানবদা লৈখাই তাবা ঙমখিদবদুনা তুংগী লল্লোন ইতিক্কী মরীগী মতাংদা নিগোসিয়েসন হৌবা য়ানবা চয়োল অসিদা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়ারগনি হায়বা মেগী থাজবা মাঙহনবা য়াই হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা ফোঙখিবা জঙ্করগী এজেন্দাদা দিন্নরগী ৱাফম য়াওখিদ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর মেগী ওফিসনা মীফম অদু মতম শাংনা থৌরাং তৌরক্লবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওফিসলশিংনদি বৃটিশ লেংমান্নবা দেভিদ দাভিসকা লোয়ননা দিন্নরদা পূনমিন্নগদৌরিবা ব্রেক্সিটকী নিগোসিয়েটর মিচেল বার্নিয়রগী সেদ্যুলদা মদু য়াওদে হায়না ফোঙদোকখি।



হৌখিবা চয়োলদা ৱারী শানখিবা মতুংদা বার্নিয়রনা ফোঙদোকখি মদুদি, লন্দননা ব্রসেলজদা ওফর তৌরিবশিংগী অকুপ্পশিং পীয়ু হায়বা য়াদবদগী নিগোসিয়েসনদু লেপ্লে।

য়ু কেনা কুমজা ২০১৯ গী মার্চতা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী ৱিথদ্রো তৌনবগী মতম য়াংশিল্লক্লিঙৈ মরক্তা য়ুরোপ অপূম্বদা প্রোসেস অদু ফেল ওইবা য়াই হায়বগী চিংনবা হেনগৎলক্লে হায়রি।

# কাটালান লীদরনা স্পেনবু শীংনদুনা নীংতম্বগী খোঙথাং চুমই হায়খ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
কাটালোনিয়াগী প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টনা লমদম অসিনা তৌরিবা নীংতম্বগী ক্লেম অদু চুমই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা স্পেনিস গভর্নমেন্টনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মশানা লৈঙাকচবগী প্রোসেস লেপহন্নবগী প্রোসেস হৌরকপা য়াবগী ফিভম লাক্লে হায়রি।

স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর মরিয়ানো রাজোয়দা ইবা লেট্টর অমদা পিগদেমোন্টনা হায়খি, মথংগী থা অনীসিদা পাঙথোক্লবা মহাক্না মীৎয়েং থল্লিবদি ডাইলোগনি। মহাক্না ওক্টোবর ১ দা পাঙথোকখিবা অথিংবা লৈখিবা রেফরেন্দম অদুনা মহাক্কী গভর্নমেন্টতা অনৌবা রিপব্লিক অমা লিংনবগী মেন্দেট পীরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ারিমখৈ থুনা মীফম পাঙথোক্লবা উনগদবনি হায়না মরী লৈনবশিংদা তকশিনখি। পাউখুম অসি নিংথৌকাবগী অয়ুক পূং ১০ ফাওবগী মনুংদা নাখৈ শেংবা য়েস নৎত্রগা নোগী পাউখুম পীনবা রাজোয়না ডিমান্দ তৌখিবদুমক ওইখিদে। হৌখিবা চয়োলদা কাটালান পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা স্পীচ অমদা পিগদেমোন্টনা হায়খিবশিং থাঙ্গৈশেংনা নীংতম্লে হায়না লাউথোকখিবগী মওংরা হায়বদু শেংদোক্লবা রাজোয়না মতম থাখিবনি।

‘কাটালান মিলিয়ন অনী হেনবনা রিজনেল পার্লিয়ামেন্টতা নীংতম্বা লাউথোক্লবগী ডিমোক্রেটিক মেন্দেট অমা পীখি’ হায়না পিগদেমোন্টনা মহাক্কী লেট্টরদা ইখি।

‘থোকখিবা কয়া থোকখ্রবসু ঐখোয়না ডাইলোগ চত্থনবগী ৱাফম থম্মোয় শেংনা হৌদোক্লি, তৌইগুম্বসুং লোজিক্কী মীৎয়েংদদি অসুম্না ডাইলোগ চত্থবা হায়বসি শুপ্পম অমসুং কিহনবগী থৌওংশিংগদি চানদে’ হায়না মহাক্না ইখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী পার্টনরশিংনা শৌগৎলিবা স্পেননা কাটালোনিয়ানা তোঙানবা নীংতম্বা ষ্টেট ওইনা খায়দোকখিবগী ৱাফম খন্নবা শুকপাম পামদ্রি অমসুং পিগদেমোন্টনা স্পেনিস কোর্টশিংগী ওথোরিটিনা য়াদ্রিফাওবা নিগোসিয়েসন অমৎতা তৌনরোই হায়খি। কাটালোনিয়া অসি নেস্নেল আউটপুটকী শরুক মঙা থোকপগী অমা পায়রিবা স্পেনগী খ্বাইদগী চাউবা রিজনেল ইকনোমিনি। লমদম অদুনা তোঙান্না তানবা থাংলক্লিবা খোঙথাং অদু ঈরাং লৈবা লমদমশিং পূনশিন্দুনা স্পেনিস ডিমোক্রেসি শেম্নবা হোৎনখিবা ফ্রান্সিস্কো ফ্রাঙ্কোনা শিখিবা মতুংদা লাকখিবা পোলিটিকেল ওর্দরদা খ্বাইদগী চাউবা শীংনবা ওইরি।

কাটালোনিয়াদা লৈবা রাজোয়গী পীপলস পার্টিগী মকোক জেবীয়র গার্সিয়া অলবিওলনা ত্বিটরগী পোষ্ট অমদা হায়খি, ‘তৌথোরক্লিবা কয়াসিনা নুপা অসি রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙদবা অমসুং খূদিংমকপু মাঙহন-তাকহনবা পাম্বা মীশকনি হায়বসি উৎলে।’ গার্সিয়া অলবিওলনা প্রাইম মিনিষ্টর রাজোয়দা কাটালান এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তোয়না তকশিনখি হায়রি।



# লূচিংবা অনী হাৎখ্রবা মতুংদা ফিলিপিন্সনা প্রো-ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপশিং তকখায়গনি লাউথোকখ্রে

মনিলা, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
রেবেলশিংগী মরুওইবা টোপ কম্মান্দর অনী হাৎখ্রবা তুংদা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মারাৱি সিটি অমুক হন্না লৌশিল্লগনি হায়রদুনা ইস্লামিক ষ্টেটপু মাঙ-তাকহন্নবা হোৎনবগী থবক তপথবা নৎত্রগা শোন্থবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফিলিপিন্সকী মিলিটরি চীফনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জেনরেল এদৱার্দো অনোনা হায়খি, রেবেলশিংগী লূচিংবা অনীদুবু হাৎখিবা মায় পাক্লবা ওপরেসন অদু ফৎতববু অফবনা মায়থীবা পীবগী থৌদোক অমনি। মহাক্না হান্নদগী পিকশিল্লবা কম্বেট জোনদুদা লৈহৌরিবা মিলিটেন্ট ৩০ দা সরেন্দর তৌনবা অমসুং নোংমৈ চিন্দোনদা ফাজিল্লিবা হোষ্টেজশিং থাদোক্লবা তকশিনখি অমসুং ট্রুপশিংগী লাঞ্জং কনশিল্লগনি হায়খি।

শুপ্পগী নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংদা টেররিষ্টশিংগী মখূৎতগী মারাৱি লিবরেট তৌরে হায়না লাউথোক্লগনি হায়না টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা অনোনা হায়খি।

‘ট্রুপশিংগী লাঞ্জং শোন্থগদবা লৈতে। অসিগুম্বা টেররিষ্টশিং লোইশিনবগী মতম ওইরে।’

অহিং চুপ্পদা চত্থখিবা টার্গেটেদ ওপরেসন অমদা ইস্লামিক ষ্টেটনা সাউথইষ্ট এসিয়াগী ‘এমির’ হাপখ্রবা ইসনিলোন হাপীলোন স্নাইপর অমনা মকোক্তা কাপ্লগা হাৎখি অমসুং মিদ্দল ইষ্টতা মহৈ তমখিবা খালিফা অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ওমারখায়ুম মাউতে থবাক্তা শোকপদগী শিখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

রেবেলশিংনা থাদোরকখিবা নৎত্রগা মখোয়গী মখূৎতগী কনখিবা হোষ্টেজ অমনা লীদরশিংদুগী লৈফম তাকথোরকপদগী মিসন অদু পাঙথোকখিবনি। হকচাং অনীদু লৌখৎলে অমসুং এক্সপার্টশিং অমসুং অফাবা রেবেলশিংনা আইদেন্টিফাইদ তৌরে হায়না অনোনা ফোঙদোকখি। হাপিলোন অমসুং মাউতেনা শিখিবসি মারাৱিবু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনবগী প্রোগ্রেস তপ্পগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌরিবা মিলিটরিগীদমক্তদি অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌনরি।

সিটিগী ময়াই চবুক মক্তদা লৈরিবা মফম অদুবু থা মঙারোম পায়শিন্দুনা থমদ্রিঙৈগী মমাঙ হৌখিবা মে ২৩ দা রেবেলশিংনা ইরাই লাইনা খুদুম চনখিবগীদমক্তসু মিলিটরিবু ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।

মীরৈবাক মচাশিং য়াওনা মী ফাবা, ঈশিংদা লন-থুম মুনবা অমসুং অফাবা মীওইশিংবু মঙক কক্তুনা হাৎপগীদমক্তা খঙনরবা গ্রুপ অমা ওইরিবা অবু সায়াফকী ফেক্সন লীদর অমা ওইনা পাঙথোকখিবা মহাক্কী থবক থৌওং কয়াগা মরী লৈননা হাপিলোনবু হাৎপা নৎত্রগা ফাবদা দোলর মিলিয়ন ৫ গী শেলগী মনা পীগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী কয়াগী মমাঙদগী ওফর তৌরকখি।



# পিয়োংয়াংনা কিহনবা কয়াগী মরক্তা য়ু এস, সাউথ কোরিয়াগী অপূনবা নেভল ড্রিল হৌখ্রে

সিওংনাম (সাউথ কোরিয়া), ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংগী মায়োক্তা নৌনা ফোর্স উৎপগী থৌদৌ অমা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অপূনবা নেভল এক্সরসাইজ অমা হৌখ্রে।

হন্দক থা খরসিদা পিয়োংয়াংনা য়ু এনগী অথিংবা কয়াবু থৌশাদবীদা মিসাইল চাংয়েং কয়া অমসুং তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নোর্থকী খুৎলাই প্রোগ্রামগী মতাংদা টেন্সন ৱাংখৎলকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু লমদম অদুগী খ্বাইদগী নকশিন্নবা মীচংশিং ওইরিবা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগা লোয়ননা মিলিটরি ড্রিলশিং হেন্না কনশিল্লকখি।

খ্বাইদগী নৌবা এক্সরসাইজ অদু নোর্থ কোরিয়াগী নেভিগী কাইহৌবশিংগী মায়োক্তা লালগী শেম-শাবগী ফিভম অমা লৈনবা অমসুং জোইন্ট ওপরেসনশিং পাঙথোকপগী কেপেবিলিটিশিং ফংগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি হায়না সাউথ কোরিয়ন নেভিগী স্পোক্সমেন অমনা পাউমীশিংদা হায়খি।

নুমিৎ ১০ নিগী ড্রিলশিংদু নোরদর্ন লিমিট লাইন হায়না খঙনবা দি ফেক্টো মরিটাইম বোর্দরগী খা থংবা মায়কৈদা পাঙথোক্লি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তাখি।

মমাঙদা য়ু এস নেভিনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস এস রোনাল্ড রিগান এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং য়ু এসকী ডিষ্ট্রোয়র অনীনা ড্রিলদুদা শরুক য়াগনি হায়খিবনি।

পিয়োংয়াংনা অসিগুম্বা জোইন্ট এক্সরসাইজশিং হান্নদগী কন্দেম তৌদুনা লাকখি অমসুং রোনাল্ড রিগান এয়রক্রাফট কেরিয়রনা এক্সরসাইজশিং অদুদা শরুক য়ারিবদু হালেংবা নাইদনা লানদা ঙাওবগী মওংনি মরমদি মদুনা পেনিন্সুলা অদুদা মতম অমদা হেক্তা লান থোকহল্লকপা য়াই হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

এক্সরসাইজশিং অদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উবা ফংবা খ্বাইদগী নৌবা য়ু এস মিলিটরি হার্দৱ্যের মুভমেন্টশিংনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না, ইরাই নুমিৎতা ন্যুক্লিয়র পৱার্দ সবমেরিন য়ু এস এস মিচিগন সাউদর্ন পোর্ট বুসানদা থুংখি। মদু অতোপ্পা ন্যুক্লিয়র পৱার্দ সবমেরিন - য়ু এস এস টক্সননা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক্কী মতুংদা থুংখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা সুপরসোনিক হেভি বোমর অনী পায়খি। মদু জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা হৌখিবা অহানবা অহিংগী মতমগী জোইন্ট এভিয়েসন এক্সরসাইজ ওইখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সিওল ইন্টরনেস্নেল এরোস্পেস এন্দ ডিফেন্স এক্সহিবিসনদা য়ু এসনা বি - ১ বি বোমর, অমসুং এফ - ২২ অমসুং এফ - ৩৫ ষ্টিল্থ ফাইটরশিং য়াওনা টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লবা ৱারপ্লেন কয়া উৎকনি হায়রি।

